ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯃꯥꯔꯆ ꯰꯹, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯳꯶ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, মার্চ ০৯, ২০১৮, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ৩৩৬ শুবা মশীং

# মহৈরোয়না ওজা ফূবা

## *খুন্নাইলোনগী মচৎ কায়থরকপগী খূদমনি*

**মীওইবগী** ৱাখল লৌশিং পীবগী অচৌবা থৌদাং লৌরিবসি অহানবদা মমা-মপা ওইবশিংনি অদুগা অনীশুবদা ওজানি। মরম অদুনা ওজাগী শিনফম হায়বসি অরায়বা অমা নত্তে। মমা-মপা ওইবশিংনা মচা ওইবশিংগীদমক লৌফম থোকপা থৌদাং অদুদগী তাদনা ওজাশিংগীসু অঙাংশিং শেন্বদা চাউরবা থৌদাং লৈ হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্না খঙমিন্নবা চুম্মী। মসিমক্না মপূং-মরৈ ফারক্লবা মীওই অমনা মখোয়বু শিন্তাকপীরকপা ওজাশিংবু উবদা মখোঙ শোক্না খুরুম্বগী চৎনবী অমা হৌজিকসু লৈরিবসিনি। থৌরম অমদা মমা-মপা ওইবশিং অমসুং ওজা পূন্না ফম্মিন্নবদা কনানা ইহান হান্না খুরুমগদগে হায়বদা ওজা হায়বসিনা ইহান-হান্না খুরুমফম থোকই হায়নরিবনি। মণিপুরদা ওজা ওইবগী তোলোপ চারগা ডোক্টর তল্লম্বা নৎত্রগা অতোপ্পা শিনফম পায়রম্বা অমসুং ওজা ওইনা-ওইনা অতোপ্পা থবক তৌবগী ৱাথোক-লান্থোক কয়া অমা থোক্লিবসি মুন্না খল্লুরগদি মখোয় ওজাগী শিনফমদা ইকায়বা পীবনি হায়না লৌবা য়াই। লুখ্রবা অমসুং থৌদাং চাউখ্রবা ওজাগী শিনফমবু কনাগুম্বা খরনা মাঙথোকপীবা অমসুং পূন্সি হিংননবগী শিনফম অমনি হায়না লৌরকপদগী মালেমদা ওজাগী মতিক-ময়াইশিং ময়েং তাথরকই অমসুং ওজাগা মহৈরোয়শিংগগী মরক্তা লৈনগদবা মরীদা অকায়বা কয়ামরুম থোরকই। ওজা হায়বসি অরাইবা অমা নত্তে। মহাক্কী লমচৎ-শাজৎতগী হৌরগা ৱাঙাঙ-শাঙাঙ অমসুং মঙোন্দা লৈরিবা ৱাখল-লৌশিং পূন্নমক নৌরিবা মহৈরোয়শিংনা মতৌ তম্নবগী মচাক অমা ওইরিবনি। ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংগী মমাঙদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা অমসুং ঙাওশিন-ফৈজিন্নবগী মতৌ উৎপা তারগদি তুংগী যূম্বী ওইগনি হায়রিবা অঙাংশিং অদুগী তুংলমচৎকী লম্বীদসু ওজা অদুগী মতৌ তম্বগী ফীভম অমা নৌরিঙৈদগী লাক্কনি। মরম অদুনা ওজাশিংনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা নৎত্রগা ঙাওশিন-ফৈজিন্নবা য়াওদবা অচম্বা পূন্সিরোল অমদা লৈবনা চুশিন্নবা শিনফম ওই। মসিগী হায়রুরগদি ইন্দিয়াদা ওজা লৌবগী চথুরিবা মওং-মতৌ অসিমকসু শেমদোক্লিংঙাই য়াম্না লৈ। ওজা ওইগদৌরিবশিংগী এদ্যুকেসন ক্বালিফিকেসন হায়বদুনা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদবা ওইরগসু শিনফম অসিবু পামজবা মীওই খল্লগা ওজা ওইহনবনা অঙাংশিংগী লমচৎ-শাজৎ শেন্বা অমসুং মপূং ফাবা মীওই অমা ওইহন্নবগী লম্বী অমা পীবা ঙমগনি হায়না লৌবা য়াই।

হন্দক মার্চকী তাং ৭ তা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌবা হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসনদা নত্তবা পান্বে শীজিন্নবা মহৈরোয় অমদগী লাইরিক ফাই হায়বগীদমক মহৈরোয় অদুনা ওজা নুপী অনী এগজাম হোল মনুংদা তমথীনা ফুখিবা থৌদোক অদু তমথীরবা ক্রাইম অমনি হায়না লৌদবা ঙমদে। থৌদোক অসি ঐখোয় পূন্নমক্না অৱাংবা থাক্তা কন্দেম তৌফম থোকই। করিগুম্বা মহৈরোয় অদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকুম্না মশাদা মী শিবা য়াবা পোৎ য়াওরম্বা তারগদি খূদক অদুমক্তদা মহাক্না ওজা অদুবু শোয়দনা হাৎলমগনি হায়না লৌবা ফাওবা য়াই। ইনভিজিলেটর তারিবা ওজা হায়বসি এগজাম অমবু মপূং ফানা পাঙথোক্নবা অমসুং মতিক-ময়াই লৈবা মহৈরোয় পুথোক্লনবগী থৌদাং পুরিবা মরুওইবা মীশক অমনি। এগজাম হোল মনুংদা ইনভিজিলেটর অদুনা মহৈরোয়শিংবু নত্তবা পান্বে শীজিন্নহনবা নৎত্রগা মখোয়না খঙবা তাকপী-তম্বীরগদি ওজা ওইবগী মতিক ময়াই চেন্দ্রবা মীশক অমনি হায়না লৌগনি। মসিগীসু মথক্তা মহাক্না খুয়াই অসিগী তুংগী যূম্বী ওইরক্তদৌরিবা মহৈরোয়শিংগী লমচৎ-শাজৎ মাঙহনবগী মরূ হুলহনবা মীশকনি হায়না লৌদুনা মহাক্নী মথক্তা অকনবা চৌরাক লৌখৎপা ফাওবা য়াই। মসিমক্না মরম ওইরবা খৃৎলায় পায়বা লালহৌলুপ নৎত্রগা তোঙান-তোঙানবা মহৈরোয় লুপশিংনা এগজামদা নত্তবা পান্বে শীজিন্নবা থিংননবা অকনবা থবক লৌখৎলোইদবনি। এগজাম হোল মনুংদা ওজানা মহৈরোয়শিংনা নত্তবা পান্বে শীজিন্নবদা মতেং পাংলগদি অহকপা চৌরাক পীগনি হায়না ফাওবা লাউথোকখ্রে লৈখ্রে। মসিগী ৱাহন্থোক্লিবা অচঙবা খুয়াই অমগীদমক অচঙবা মহৈরোয় পুথোক্লপদা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়বনি। হৌজিকসু অদুমত্তৗ মণিপুরদা পাঙথোক্লিবা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর, বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর অমসুং সেন্ট্রেল বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসননা লৌবা ক্লাস টেন, এলেভেন অমসুং টুয়েল্ভগী এগজামশিং অসি নত্তবা পান্বে শুংশি শীজিন্নহনরে, তশেং-তশেংবা এগজাম ওইরে হায়বা য়াদ্রি। মতিক ময়াই চেনবা মহৈরোয় পুথোক্লবা পাঙথোকপা এগজাম পরম চুম্না পাঙথোকপা ঙমহনগে হায়বা তারগদি এগজাম তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা কমদৌনা মহৈরোয়শিং মহৈ-মশিন তম্বীরি, লৈঙাক্লা করি মীৎয়েং চঙই হায়বনচিংবা কুপশিন্না য়েংবা চঙই। সিভিল সোসাইটি ওর্গানাইজেসনশিং, মহৈরোয় লুপশিংনসু এগজাম মতমদা মীৎয়েং চঙলিবা অসিগুম্না লাইরিক তম্বীবগী মতমদসু মীৎয়েং চঙবীরম্বা তারগদি অচঙবা মহৈরোয় পুথোকপগী লম্বী অমা ফংলে হায়না লৌবা য়াই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, মহৈরোয়না ওজা ফূবগী থৌদোক অদু খুন্নাইলোনগী মচৎ কায়থরকপগী খূদমনি। মহৈরোয় অদুনা তল্লিবা স্কুল অদুদা ওজাশিংনা কমদৌনা মহৈরোয়শিং লাইরিক তম্বীরি অমসুং থৌগল্লোননা কমদৌরি হায়বনচিংবা কুপ্না য়েংশিনবা চঙই। শেন্দান লম্বী অমগুম্না স্কুল চল্লাইবা, লিংখৎপগী থৌওং লেপকদবনি হায়জনিংই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## য়াওশঙগী ছুটি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মীওইবগী** পুন্সিদা খ্বাইদগী মমল য়াম্বসি মতমনি। লন-থুম মাঙখ্রবা অমদি ময়েং তাখ্রবসু অমুক তাশিন্দুনা মেনখৎপা য়াই। অদুবু চৎখিবা হৌখিবা মতমদি অমুক হল্লক্লরোই। মালেমদা মশক নায়খিবা মীওইশিং মতমগী মমল খঙনা চৎখিবা ঙাক্তেনি। চাওখৎপগী মমি তমদ্রিবা ঐখোয়গী খুন্নাই মতমগী মমল খঙবা য়াওরক্লে। ধর্ম্মগী মীংদা অরেম্বদা শেল অমদি মতম মাঙহন্দুনা ঈরাংদা তাওদুনা, তাঙখ্রবা মতম য়াওশঙগী নুমিৎ ৫নি মাঙহনবা কান্নদে খঙবা মী য়াওরক্লে। ঐখোয়গী লৈপাক অসিগী লৈঙাক্কী লুচিং পুরেল নোংথোম্বম বিরেন্না য়াওশঙগী মতম নুমিৎ নীনিদা তেনশিন্দুনা মতমগী মমল খঙমিন্নবগী পাউজেল পীখিবদু খন্থনীংঙাই অমদি তরাম্না ওক্লিংঙাইনি। অদুবু মীওই খরনদি নুংগী ৱাখল্লোন উবা ঙমদবা অমদি ঙাইহাক্কী ওইবা ৱাখলনা মাঙওইনখিদুনা ওন্ন-তৈনবা ৱাখল্লোন ফোঙদোক্লরকপা থেংনখ্রে। মনা পঙবদা ঈশৈ শত্তুনা তাহনবা, অপঙবদা পাউতাক পীবা অশিংবনি হায়বীদে। নুমিৎ ৩৬৫গা পুং ৬না শাবা চহী অমদা ঐখোয়না অরেম্বদা চহী তঙ্খায় অমরোমদি কান্নদবদা মতম লেন্থোকই। য়াওশঙ কুম্মৈগীদমক থবক লেপ্পা (ছুটি) ওইবা : ১) মণিপুর লৈঙাক্কী লোইশঙগী ওইনা নুমিৎ ২নি । ২) লায়েংশঙগী নুমিৎ ২নি। ৩) ইনিদয়া লৈঙাক্কী নুমিৎ ২নি। ৪) মহৈ তম্ফমশঙগী নুমিৎ ৫নি। ৫) পাউচে (প্রেস) গী নুমিৎ ৫নি। ৬) ৱায়েলশঙ (হায় কোর্ট) গী নুমিৎ ৮নি।

য়াওশঙ কুম্মৈগা মরী লৈননা ছুটি শাংনা থাবগী কান্নবা অমদি কান্নদবগী লংদাইদা লেপ্লিবা ঐখোয়গী ৱাখল চুংশিন্নবগী মতম ওইদ্রিবরা?

*অদোমগী - এম রূপোবতি*
*সোইবম লৈকায় মেরি লৈরক*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৭

১। পেনাগী খূৎ ওয়না পায়রিবদুনা পুংমায় কৌই। খূৎ য়েৎনা পায়রিবদুনা চৈজিং কৌই। যন্ত্র অসিগা মরী লৈননা ৱাহং অনীসিগী পাউখুম পীয়ু:
(ক) চৈজিংদা হাপ্লিবা শরিক মশীংদু কয়ানো?
(খ) নিংথৌগী থৌগলদা শক্কদবা পেনা শৈরোল কয়া লৈ?
২। "নাকোং থাঙ্গত্তুনা তারি/মপাং কায়নরবা থঙ্গোংগুম/নুংশিৎকী শউম ফাওবা।" পরেংশিংসি জননেতা ইরাবতকী শৈরেং অমদৈ লৌথোকপনি। শৈরেং মমিংদু হায়য়ু।
৩। "অদুঙৈ/মীৎ উইশিন্দুনা খাঙখিবা/ফৈদাপুং ঙসিদি/মায়থোঙ মকা-লাম্বগী খূয়া তুশিৎপা ফংজরে।" পরেংশিং অসিনা 'মীৎ নহাগী পাউখোঙ' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। "মহৌশা লাইরেম্বীগী মশাইগোন্দা য়াতররিবী অরুনাচল প্রদেশ" কৌবা লমকোয় ৱারীগী অইবীদু কনানো? মমিং হায়য়ু।
৫। "ইমাগী থবাক মপৈশে/ইহৌরক্তুবা খোল্লাংনি/ইচাশিংগী ৱাবা উবদা/ইমা খাঙবা ঙমদরে।" পরেংশিং অসিনা শৈশকপা হামোম নবচন্দ্রগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

**মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।**

# য়াওশঙদা শেল মুলহন্দনবা হোৎনবদা তৌরুবা স্পোর্টসনা হেন্না ফীভম লুরে

### অওনবা মালেম

### সৌবাম তোম্বা লুৱাং

**সনালৈবাক্তবু** করি ৱাৎপা লৈবগে? অদুনবু মীয়াম্না সনালৈবাক, সনালৈবাক হায়নরিবসিনি। হন্দক্কী য়াওশঙ নুমিৎ মঙানি মনুংসিদা সনালৈবাক পাউচে পাখি। শারবা লৈকংলাদা অরাম-খৌরাংবা কোক্লবা ঈশিং মরিক অমা নোংথক্তগী থাদবিরকপগা চপ মান্নে। তশেংবা মরুপ ওইখি সনালৈবাক পাউচে তৌফম খঙদ্রবা য়াওশঙগী নুমিৎ মঙানি অদুদদি। অরাম-খৌরাংবা য়াওশঙ মতমদা চারবনিনা কয়াসু হাওখ্রে। সনালৈবাক্কী তোপ-তোপ্পা মহাউ অমনি। অরাম-খৌরাংবা মীওই কয়া লৈরমগনি হায়রিবা নুমিৎ মঙানিসিদা। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা য়েলাং, কেঙোই, কোবি, হঙ্গাম য়োনবদৌনা যূক ঙন্তা য়োনবনি সনালৈবাক পাউচেদু। কৈথেলদা ঙাঙনরকই - "য়াম্না ফরেনে, লাই লৈকো লৈতেকা হায়বা য়াবা নত্তে। তাইবঙ মীসি হিংনবা, নুংঙাইনা লৈজনবা লম্বী অমা নৎত্রগা অমদি হেক্তা শিনবিরকই। য়েংউ য়াওশঙ মনুং পাউচে অমত্তা ফোঙদ্রে অদুবু সনালৈবাক হেক্তা থাদোরকই। মসিবু লাইনা মীগীদমক শিনবীরিবা নৎত্রা? তৌরসনু লাইসু য়াওশঙ মনুংগীনা সনালৈবাক। অদুবু শিনবগী শিনবীবা লৈকায়-লৈকায়দা হোকরদুতকা শিনবীরদি য়াম্না নুংঙাইগদবা। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা এঙ্গাং য়োনবদৌনা ফমদুনা পাউচেদু য়োনবগী মহুৎতা সাইকল তোংলগা অয়ূক ঙন্তানা লৈকায় খুদিংমক্তা কোয়না চৎতুনা য়োল্লবদি মীয়াম্না য়াম্না হরাউনগনি অমদি য়াওশঙ নুমিৎ মঙানি পাউচে পাবা ফংদ্রে হায়বগী খোয়দৌ শাওগৎপদুমদি খরা ফবা য়াই। পাউচে য়োনবসু, পুথোকপসু কান্নগনি। অয়ূক ঙন্তাদি নুপীমচাশিংনা থৌরি তিংদুনা লম্বীদা শেল মুনবা থোক্লক্ত্রি। মতমদুদা পাউচে য়োনবা চৎপা লায়না য়াগনি। প্রেসকী মীদি লম্বীদা অথিংবা লৈতে, শেল মুনবা অঙাংশিংনসু। পাউচে য়েন্থোকপা মীসু অথিংবা লৈতে। ইম্ফাল ময়োল অমদি গ্রেটর ইম্ফালগী মনুংদা লৈরিবা লৈকায় অসি য়ামখ্রবনি। মসিগী থবকসি হোকর এসোসিএসনগী কাঙবুনা মথং চহীদদি হৌদোকপা য়াই। থৱায় য়াওবা, শেল তানবদা হৈনীংবা অমদি মীয়ামগী য়াইফনবা খনবা ঙম্বা হোকর নৎত্রগা মীওইশিংনা থবক অসি পায়খৎপা য়াই মথং চহীদগী। ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা লৈকায়শিং অসি কয়াদা য়ামখ্রবনো? ইম্ফাল ৱেষ্টকা থংননা লৈবা বিষ্ণুপুর অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী অনকপা মফমদা লৈবা লৈকায়সু কোনশিনবা ঙমগনি। মসিনি চিরবা মতমদা মীয়ামগী মতেং পাংবা হায়বদু। মদুদা মীয়াম্না থাগৎনরক্কদবা ৱাহৈদুগী মমল য়াম্না য়ামগনি।

য়াওশঙ লোইখ্রে। তাইবঙ মালং ফাওরে। হান্নগুম পাউশিং ফোঙনরে। চিরবা মতমদা মীয়ামগী মরুপ ওইরম্বা সনালৈবাক পাজরে উচিদা অমুক হঞ্জিনখ্রে। হৌজিক্তি মীয়ামগী পুন্সি নে-না তারে। পাউচে ফোঙদবসি য়াওশঙনা থিংবরা, শেল মুনবী অঙাংশিংনা থিংবরা? য়াওশঙ কুম্মৈগা ঐখোয়গা চয়েৎনবা অমা লৈরে মতমগী অওনবা হায়বা খোঙচৎসিগী খুদোংচাবা লৌরগা। য়াওশঙ নুমিৎ মঙানি অদুম তৌজসনু। হঙ্গৎনা কূপ্না য়েংলুরবদি য়াওশঙদি তৌদ্রে হায়বা য়াই চান্মদা মরিফুতরাদি। কুম্মৈ হৌবা নুমিৎতা য়াওশঙ শারগা মৈ থাবগী চাং য়াম্না হন্থরে। লৈকায় খরদা মীওই খরনা তৌবা নত্তনা তৌনদ্রে। মদু মতম মাঙবা থবকনি। ঈ-ৱা, শাগদবা অহাংবা মফম লৈত্রে হায়দুনা তোকথোক্লখ্রে। মীওইবা হায়বসিনা তৌরিবসি য়েংউ খ্বাইদগী মরু ওইবসি য়াওশঙ মৈ থাবসিনি। মসি তৌদ্রবদি য়াওশঙ হৌবা য়াদ্রি অমদি অঙাংশিংনা নাকথেংবা চৎপা য়াদ্রিবনি। অদুনা য়াওশঙ তৌদবগী খুদম অমনি মৈ থাবগী মতাংসি কান্থোকখ্রবনিনা। মীওইবনবু তল্লবা লাইগী ওইরবসু শমজিনবা লোয়না য়াই। নীনি চনবা, হুমনি চনবা নুমিৎ পেচকারি, হলঙ্কারবু ঙসি কনানা তৌনরিবগে য়াওশঙ কুম্মৈগী মরুওইবা অমনি হায়না লৌনরদুনা। মীওই খরনা পামজবগী তৌবা নত্তনা তৌদ্রে। ঙসিগী হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংদি হায়রিবা অনীসিসু য়াম্না মরুওইবনি হায়বদু খঙবু খঙনদ্রে। ঙসিগী অঙাংশিংনা খঙলিবা হায়ববু য়াওশঙনি হায়রবদি স্পোর্টস তৌবা, থাবল চোঙবা, শেল মুনবা, চাক চান্নবা অসিনচিংবনি। চহী লৈশিল্লক্লবা মৌ কয়ানা শেল মুনবা নত্তবা শেল খায়বা কয়াসু তৌরি। মসিসু হেনগৎলক্লি। নুপামচাশিংনা থাবল চোঙবা অমদি থকপা-চাবগী চাং য়াম্না হেঙ্গৎলক্লি। য়াওশঙগী ময়োনসি মসোমদা ওইনা চৎথরি ঈরৈ কন্না।



য়াওশঙ মনুংদা স্পোর্টস তৌবসি অফবা থবকনি হায় মীয়াম্না, লোয়নমক্না নৎত্রবসু। অদুবু য়াওশঙ কুম্মৈগী মনুং চনবা তৌদবা য়াদ্রবা মথৌ অমদি নত্তে। অদুবু য়াওশঙ হায়রগা স্পোর্টস তৌদ্রবদি য়াওশঙ মান্দ্রে। স্পোর্টস তৌদবা লৈকায়দুদি চাওখৎপগী মঙাল ফংদ্রবা, লৈকায় অদুদা লৈরিবা মীওইশিং অদু খুন্নুং চঙবা মীনি হায়না লৌনৈ। মীওইবনবু পান্নবদি কান্নদবসু লোয়না কান্নে, ফত্রিবসু লোয়না ফৈ। লম্বীদা অঙাংশিংনা থৌরি তিংলগা শেল মুল্লি অমদি অবের তৈনবা থিংবা ঙম্নবা য়াওশঙ কুম্মৈদা স্পোর্টস হাপচিনখিবনি। অদুবু ঙসিদি শেল মুনবদি থিংবা ঙমদ্রে। শেল মুনবদি অদুমক চখুরি। অদুনা লম্বীদা মী চৎনদ্রে। স্কুল কানদ্রে, ওফিস কানদ্রে। অমরোমদনা য়াওশঙ মনুংদা লম্পাক্তা মৌমখৈ নোংঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবা অদুমক লৈরে। মৌ লোইনমকপুদি নত্তেকো অদুবু অয়াম্বা মৌদি লম্পাক্তা লৈরে লৈকায় খুদিং। অদুবু মসিদি য়াওশঙ কুম্মৈগী থবকমক্তি নত্তে। অদুবু মসিনা মরু ওইখ্রে ঙসিদি য়াওশঙসি। অদুগা তৌরিবা মশান্নসিনা স্পোর্টসতা কান্নগদবা হীরম্না করিসু য়াওদে। নুংঙাইথোকপগী মশান্না ঙাক্তেনি। মীয়াম্না হেন্না খঙনরে মদুদি তৌরিবা স্পোর্টসকী আইটেমশিংদু য়েংবদা তনবা ঙাক্তেনি। অমরোমদা নুপাদি শান্নববু ইয়াও য়াওদে। মৌ ঙাক্তনা অয়াম্বা ওইরে। মদুসু মৌনাও ঙাক্তনা অয়াম্বা ওইরে। অদুগা পীক্লিবা অঙাং মচাশিংগনি স্পোর্টস য়াওরিবসি। অদুনদি য়েংবিয়ু অঙাং মচাশিংসু লম্পাক্তা নোংঙানবগা অদুগা মৌনাওশিংসু লম্পাক্তা নোংঙানবদগীনা নুমিৎ তাবা ফাওবা। অমরোমদা নুপীশিংনা যূমদা চাক থোংবা নৎত্রগনা থক-চাদনা লৈবা নৎত্রগনা মখোয়সু লম্পাক্তা মৌনাওশিং, অঙাংশিংগী স্পোর্টস য়েংবা। অদুগা অহৌবা মাইক্কী মখোলদা ঙাওজবা মীওইশিংনা থাবলদা নুমিদাং অথেংবা অহিং ফাওবা লম্পাক্তা লৈবা অসিনি। অহিংফাও থাবল চোঙলিবশিং অসিবু তোকহনবা ঙম্নবা নুমিদাংদসু য়াওশঙ স্পোর্টস তৌবনা ফরবরা? মথোৎ কারক্লিবা নুপীমচা লৈশাবীশিং অহিং অথেংবফাওবা পাখঙশিংগা খূৎকা-খূৎকা শম্নদুনা থাবল চোঙবসিবু অফবা ওইরিদ্রা?

স্কুল অমদি কোলেজশিং য়াওশঙ হুমনি, মরিনি অমদি মঙানি চনবা নুমিৎশিংদা হাংদুনা মহৈ তম্বা কারবদি লম্পাক্তা নুমিৎ চুপ্পা স্পোর্টস তৌদুনা লৈরিবা মৌ ময়ামশিংদুসু লৈররোই মরমদি মচা স্কুল চৎপগী মফি মরোল শেৎপিবা, চাক পীজবা, ইরুজবিবা, লাইরিক তাকপীবা তৌনবগী। অঙাংশিং অসিবু স্কুল কাখ্রবদি লম্বীদা থৌরি তিংদুনা শেল মুনবগী থবক তৌররোই। মদু তৌদ্রবদি লম্বীদা মী চৎপগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্কনি। মতমদুদা য়াওশঙ নুমিৎ মঙানি তৌরবসু কায়দে হায়বদি মীয়ামগী নোংমগী পুন্সি মহিংদা অপনবা কয়া লৈররোই। পামজবা কাঙবুনা য়াওশঙ কুম্মৈগী ওইবা অপাম্বদু তৌজবা করিসু কায়দে। অঙাংশিংসু স্কুল ছুটি থাবা নুমিৎশিং হায়বদি হৌবা অমদি নীনি চনবা নুমিৎশিং অদুখক্তদা য়াওশঙ কুম্মৈ য়াওজবগী নুংঙাইবদু ফংবা য়ারে। মতমদুদদি নুমিৎ মঙানি জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌবগী মতৌদু লৈররোই। পাউচেসু ফোঙলনি, কৈথেলসু কারনি, ওফিসসু হাংলনি। অদুবু থবক অদুদি গভর্ণমেন্টখক্তদা ইনশিনগদবা নত্তে। ইমুং খুদিংমক্কী মীওই খুদিংমক্না হৌগদবনি। খূৎতা মোবাইল পায়দুনা মালেম পূম্বা উবা ফংলবা মতমসিদা নুপীমচাশিংবু য়াম্না লেমদবা মওংদা খূৎতা থৌরি পায়দুনা শেল মুলহনবা চুমদে। মমা-মপাশিংনা মচাশিংবু লম্বীদা থাদোকপা চুমদে। মথোৎ কারকপা নুপীমচাশিংনা লম্বীদা লেপ্লগা শেল মুনবদা ইনখৎলকপা পাখং মচাশিংদা হেন্না ঈনোৎ হাপকৎলি। মসিনা নুপীশিংবু ফৎতবা মীৎয়েংদা য়েংবা হৌরকই।

# য়াওশঙ কুম্মৈ লোইশিনখিবদা খঙঈং-ঈংই

### মতম মতমগী ৱাফম

### সেঞ্জম দেবেন

**য়াওশঙ** কুম্মৈ লোশিনখিবদা খঙঈং-ঈংই। ইরমদমগী মহৈরোয়শিংগী অরুবা এগজাম মনুংসিদা য়াওশঙগী নীল-খোংবা কয়ামরুম্না দিষ্টর্ব কয়ামরুম তৌখিবসি তশেংনা লাইবক থিবা থৌদৌ অমনি। অদুবু পান্বৈদি লৈখিদে, কমদৌরুনি, য়াওশঙ কুম্মৈ হায়বসি মণিপুরগী খ্বাইদগী লীরবা অমসুং খ্বাইদগী চাউরবা কুম্মৈ মখল অমনি। কুম্মৈসি তশেংনা থিংবা ঙম্বা জাৎসু পাক ওইরোই, অদুগা তশেং-তশেংনমক হেক থিংনবা হোৎনরুবমকসু লানগনি। অদুম ওইনমক, লৈপাক-মীয়াম্না কুমসি চহীগী য়াওশঙ কুম্মৈসিমদি, লিনসু শিনবা চৈশুসু তেক্তনবা মওংদা মণিপুরগী অয়াম্বা মফমশিংদা পাঙথোক্লখিব্রা খল্লি। থৌদৌসিমক্তি তশেং-তশেংনা লাইবক ফবা থৌদৌ অমনি হায়দবমক ঙল্লোই। হন্দক্কী এগজাম থারিবা মণিপুরগী মহৈরোয়শিংসিদা নত্তনা চহী খুদিংগী ওইনা, মণিপুরগী ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ তল্লিবা মহৈরোয়শিং খুদিংমক কুমসিগী এগজামগী ফীভমসিমক ইহোং-হোংদনা অদুম্মক থেংনরবা য়াবগী ফীভম লৈ। মাঙজৌননা চেকশিন-থৌরাংশিং লৌখৎনহৌবগী মথৌশিং তাই।

চহী খুদিংগী পাঙথোক্লবা য়াওশঙ কুম্মৈগী চাংশিংদগী কুমসি চহীদনা, উচিন-নাচিন মীয়াম্না খরদংদা ওইরসু এগজামশিংগীদমক খল্লগা হন্থনা পাঙথোক্লখিবগী ৱাখল্লোন ফাওনখিবগুম তৌবসিমক তশেংনা লৈপাক মীয়ামসি থাগৎনীংঙাই ওই। তশেংনা ইরমদমগী ইচা-ইশুশিংগী এজগামসিমক লৈরমদ্রবদি মণিপুরগী য়াওশঙ কুম্মৈসি লাক্ল-ফানবমক ঙল্লমদবসু য়াই। খুদম কয়ামরুম কুমসি চহীগী য়াওশঙ মনুংদা থেংনখিবসু লৈ। ঐখোয়গী ইরমদমসিগী ইনখৎলক্লিবা নহারোল কয়ামরুমগী ৱাখল্লোনসি তশেংনা কিনীংঙাই ওই। অকিবা ফংলবা লম্বীশিংদা খোংদানবগী চাং হায়ফেৎ ৱাংই। চহী মতাংশিংগা চানদনা ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিং শীজিন্নবগী ৱাখল্লোনশিং মখোয় মশেল অসুক্কী মতিক থুনা-য়াঙনা শন্দোক্নে। মণিপুরদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক শীজিন্নবগী ৱাফমসিবুদি অমবু ওইরবসু, অমবু ওইরবসু ইয়াওদা য়াওদুনা অমদি ইচেন্দা চেন্নদুনা লাক্লবনি। হীরমসি নত্তবদা, হৌজিক হৌরক্লিবা মণিপুরগী নহারোলশিংদা লমচৎ-শাজৎশিং কায়থরকপগী অচৌবা মমি অমা কন্না তাশিল্লক্লি। থৌদৌসিমক্তি তশেংনমক খুন্নাইসিদা খ্বাইদগী হেন্না লুবা অচৌবা থৌদৌ অমা শোয়দনা ওইগনি। হৌজিক মতমগী নহারোলশিংদা থৌগল্লোন, হৌন-লোনচৎ অমদি থকসি-খাসিশিং হায়বদু মশাদা মচেৎ অমা ফাওবা পকপা উনখিদ্রে। ফীভমশিংসিগী মমি খুন্নাইসিগী থৌদৌ কয়ামরুমদা হকথেংননা তাবা হৌরক্লি। হন্দক্কী য়াওশঙ মনুংগী থাবলশিংদা, লম্বী-লমখাং কয়ামরুমদা, লমদমসিগী চহী নৌরিবা-নৌরিবী নহাশিংগী ওইবা থকসি-খাসি, থৌগল্লোনশিং য়াওদবা, মথক থোংবশিং অমদি লৈকায়গী মীয়ামশিংবু উশিৎ-থৌওইদবা, লুজদবা থৌওংশিং কয়ামরুম মিৎমাঙদগী থৈফম লৈতনা উনবা লৈনখি। তশেংনমক লমদমসিগী হৌগৎলক্লিবা নহাশিংগী ৱাখল্লোনশিংসি হেনমল্লি। মখোয়দা চেল্লিবা ৱাখল্লোনশিংসিগী হৌরকফমশিং থিদোক্তুনা মখোয়বু ৱারক-ৱাতেম্নবগীদমক থৌরাং কয়া মণিপুর লৈঙাক্লা খুদক্তগী হৌনা য়াৎপীবগী মথৌ তাই। নৎত্রবদি ইরমদমসিগী নহারোলশিং পূম্নমক নোংম-নোংমগী মরমচৎ মাঙলবা নহারোলশিং শোয়দনা ওইরক্লগনি। খ্বাইদগী লুরিবসি, হৌজিক্কালগী ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংসি মমাঙঙৈগী মতমগুম্না, অয়াম্বনা ময়ূম-ময়ূমদা অহল-লমনশিংনা ৱারক-ৱাতেম্বা অমদি ঙাঙন-শক্লবা অমত্তা য়ানখিদ্রে। হীরমসিদা ঐখোয় কৈদৌঙৈদা খক কোম্না লৈথোকহৌবা চুল্লোই। লমচৎ মাঙখিবা হায়বসি পূম্নমক মাঙখ্রবনি, শেল-থুম, হকচাং ফাওবা মাঙখিবদা পূম্নমক মাঙখ্রবনি হায়বা ৱাহৈসি শীজিন্নদ্রিবনি। লমচৎ মাঙলবা মীওইশিংনা কৈদৌঙৈদা খক মপূং ফারবা অমসুং তমজনীংঙাই ওইরবা লৈপাক্কী মীশকশিং হায়বদু ওইরক্কনি থাজদে।

য়াওশঙ কুম্মৈগী থৌরমসি ঐখোয়না ইচম-চম্না লাইনীং-লাইশোনগী মিংদা পাঙথোকচবা খক্তনি। কুম্মৈসিগী মীংদা অহল, অঙাং, নুপী, নুপা অমদি মরু ওইনা ইনখৎলক্লিবা ইরমদমসিগী ঙাওশিন্নবা নহারোলশিং কয়ামুক্লা, তোঙান-তোঙানবা চহী তাঙ্ককশিংগী ওইবা মঙাওথোকশিংদা, খুন্নাইসিদা অকায়-অতোয়শিং থোকহল্লকপা য়াবা লম্বীশিংদা খোঙদানবশিংসু য়াওই হায়বসি ঐখোয়না তত্তনা উরে। পূম্নমক্কী ৱাহন্থোকশিং খঙনা, ঐখোয় য়াওশঙ কুম্মৈ পাঙথোকপা চুমগনি। য়াওশঙ কুম্মৈগী পরিংদা ইশাগী ওইবা লাইনীং-লাইশোনগা মরী লৈননা পূক্নিংগী অপেনবশিং ফংনবা হোৎনজবা খুদিংমক অকায়বা থোইনা লৈরোই। লাইনীং-লাইশোনগী থৌরমশিংদুমক পাঙথোক্লবা কুম্মৈ অসি খুন্নাইসিনা য়াননা চহীগী কেলেন্দরদা য়াত্তুনা হাপ্লিবনি। অদুম ওইনমক কুম্মৈসিগী মীংদা ঐখোয়না কুম্মৈসিবু মশক থিহন্নবা লম্বীদি কৈদৌঙৈদসু খক য়াৎলোইদবনি। খুন্নাইসিবু মনীং হন্থহনবা, অমাঙবা লম্বেললোমদা খোঙ থাংজিনবদি অফবা খক ওইরক্লোই। লমদমসিদা মরু ওইনা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংবু ঐখোয়না মতম চুপ্পদা পরম চুমহৌনবা হোৎনবা মথৌ তাই। মমাঙ-মতুংগী নত্তনা মালেমসিগী ওইনা চাওখৎ-খোঙথাংশিংগা ইরোয়ননা থোক্লকপা মিদিয়াগী অনৌ-অনৌবা খূৎশু-খূৎলায়শিং কয়ামুক্লা ঐখোয়গী নৌরিবা ইচা-ইশুশিংসিবু অমাঙবা লম্বীশিংদা লমজিংনবা ঙাইহাক লৈতনা হোৎনরি হায়বসি ঐখোয় খঙফম থোকই। মালেম পূম্বা অপূনবা গ্লোবেল ৱর্ল্ড অমগী অরংবা মঙাল মতম অমত্তদা পূন্না ফংমিন্নবা হোৎনবদা, মাঙজৌননা মপূং ফাবা ৱাখল্লোনশিং চেলহনহৌদবা ঐখোয়গী নৌরিবা ইচা-ইশুশিংনা হেক হেক লম্মখাঙদা মরোমদোম মঙলাক্লনবগী থৌরাংশিং ওইরকপসি ঐখোয়না চেকশিলহৌদবা শোয়দনমক্কী তারক্কনি। হৌজিক-হৌজিকমক ঐখোয়গী নহারোলশিংসি অসুক্কী মতিক নীংবা কায়নীংঙাইগী লম্বেলশিংদা চৎনবা ঙাক্তনা মশীং য়াম্না উরি। অসিগুম্বা তানফমশিংসিদা য়াওশঙগুম্বা ঐখোয়গী কুম্মৈশিংদা ঐখোয়না ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিংবু ইচম-চম্না য়াওশঙ কুম্মৈ য়াওহল্লিবনি হায়দুনা, পংথা থাদোক্লবগী থৌওংশিংসি খরা খরা হোংদোক্লবা হোৎনমিন্নবা ফৈ খল্লি।

মালেমগী মফম খুদিংমক্তা লাইনীং-লাইশোন হায়বসি মীওইবা খুদিংমক্কী লৈনরিবনি। লাইনীং-লাইশোনশিংদুগী মরী লৈনবা হরাউ কুম্মৈশিংসু শোয়দনা লৈনরিবনি। অদুবু ঐখোয়গী ফুরুপসিদি মালেমগী মনুংদা, লাইনীং-লাইশোন য়াম্বা অমদি অহোংবা থৌদৌশিংদা থোইদোক্লা মরী লৈনবা-লৈনদবা, তঙাইফবা-ফন্দবা থিদনা অদুক্কী মতিক কুম্মৈ-হরাউশিং মশীং য়াম্না পাঙথোক্কল্লি। মদুদা পংনুংদা নুংঙাইজবা অমসুং পেঞ্জবা ফুরুপশিং ওইরি ঙাঙনবা ঐখোয় ইনাকোংশিংনা তারবনি। ফীভমশিংসিদগী ঐখোয়না ফংগদবা ফুরুপসিগী ওইবা তোংজবশিংদু করি করিনো? থৌদৌশিংসি লৈবননি ঐখোয়না তত্তনা, চহী অমগী মনুংদা অমুক্তং থোকপা খ্বাইদগী চাউবা য়াওশঙ কুম্মৈসি ফাওবদা তেনশিনসি-পীকশিনসি তত্তনা হংনবা হৌরক্লিবসি। মালেমগী ওইনা শুপ্নগী চাওখৎ-থৌরাংগী খোঙথাংশিং খক্তনা তোপ প্রাইওরিটিদা থম্নখ্রবা মতমসিদা ঐখোয়না ঐখোয়গী মল্লবা পুৱারীগী হৌন-লীচৎশিং পূম্নমকপু অমত্তা চৈশিং কায়বা য়ারোই হায়দুনা শিখাঙ-খাঙদুনা, খোঙফম হোংদনা লেপ্তুনা লৈরুবা হায়বসিসু হাকমনবমক থোকপা য়াই। ঐখোয় হোংসু হোংসি, হৌন-লোনচৎশিংসু ঙাক্লা অদুমক চৎসি। মতমগী মতুং ইন্না পুন্সিগী ওইবা থবক থৌদাশিংদা অহোংবশিং কয়ামুক লাকপনা হৌজিক্কী মতমদা মীপূম খুদিংমক্লা ইশাগী লাইনীং-লাইশোন অমদি লাইনীং-লাইশোনগা মরী লৈননা পাঙথোকপা থবক-থৌরম কয়ামুক্তা চিংখবা তৌদনা প্রজেক্ট ওইবা হায়বসি ঙল্লক্তে। ফীভম্না য়াদবা কয়ামুক লৈরকপনা কুম্মৈ-হরাউ কয়া-কয়া শরুক য়ানীং-য়ানীংনা য়াবা ঙম্নরক্তে। পূম্নমকসি মতমগী ঈচেল হায়বদুনি, পুন্সিগী ওইবা অহোংবশিংদুনি ঐখোয়না থেংনরিবসি। থৌদৌশিংসিদা ঐখোয় কৈদৌঙৈদা খক ইশাগী লাইনীংগা মরী লৈনবা থবক-থৌরম খুদিং মতম তেনশিন্দনা পাঙথোকপা অমসুং চিংখদনা শরুক য়াবা হায়বসি ওইথোক্তবনি।

মথক্কী ৱাফম খুদিংমকসিগী অশম্বা ৱাতারমশিংদি অতৈ করিসু নত্তে, ইরমদমসিগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিংবু ঐখোয় মতম চুপ্পগী ওইনা চুম্না লমজিংমীন্ননবা হোৎনমিন্নসি হায়বসিনি। ঐখোয়গী নহারোলশিংসিনা ঐখোয়গী খুন্নাইসিগী তুংগী যূম্বীশিংনি। যূম্বী ওইগদৌরিবশিংনা লম্মখাঙদা শুম চাদুনা তোন্তেক্লখিবদা মাঙজগদৌরিবসি অপূনবা ঐখোয়গী খুন্নাইসিনি। ঐখোয়, ঐখোয়গী খুন্নাইসিগীদমক খল্লগা মালেমগী ওইবা চাওখৎ-লমজেলশিংদা ঐখোয়গী তুংগী যূম্বী ওইরক্কদৌরিবা ইচা-ইনাওশিংসিবু অমুক্তং শরুক য়াহন্নবা ইশা-ইশাগী থৌদাংশিং মশক খঙনা শরুক য়ামিন্নসি। অপূনবগী খোঙ্জেলদা নীক্লোইদবা কনা লৈ, ঐখোয় পূনশিন্নবা ৱাৎপনা অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎপা ঙমদ্রিবনি। অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎনবীগদমক অমসুং অপূনবগী মিংয়েংদা খুন্নাইসি শেমগৎলক্লবগীদমক ঐখোয় পূনশিনমিন্নবা মথৌ তাই।